ইপা-ইপুশিংগা শাগোন্নরকখিবা মুৎখিগদৌরবা মশান্নশিংবু য়োকখৎনবগী পান্দমদা লৈমলূপ ইষ্টর্ন গুৱাহাতিনা শীন্দুনা আমসিং জোরাবাদতা অপূনবা কলচরেল থৌরম পাঙথোকখিবা

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন বিষ্ণুপুরগী মীৎয়েং মখাদা পি ঐচ ঈ দি বিষ্ণুপুর অমদি ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি বিষ্ণুপুরগা খূৎশম্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা ইনমেটশিংনা শীজিন্নবা ঈশিং চাংয়েং তৌনবা কিটশিং য়েন্থোকখিবা

য়ুনাইটেদ বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্কর্স ৱেলফেয়র য়ুনিয়ন শীংজমৈনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল ৱার্কর্স দেগী থৌরমদা পাউচেসিগী সিনিয়র সব-এদিটর এল বিজয়দা খুদোল তমখিবা

সিৱেভস মণিপুরনা অইবা ১৮না ইবা শৈরেংশিং ইংরাজিদা হন্দোকপা এন্থোলোজি লাইরিক ‘ফোরলোর্ন’ কাংমোং মাইস্নাম লৈকায়গী পিছ কোটেজদা ফোঙবগা লোয়ননা শক্নাইরবী অইবী অমদা খুদোলপোৎ খূৎশিন্নখিবা

তেংবাঙ পীরকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০২ (ঐচ এন এস) : রিজনল ইন্দিজিনস ফোরম ফোর পিছফুল কো-এগজিটেন্স (আর আই এফ পি সী ও) মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাঙ্গোলদা লৈবা লাঙ্গোল ওল্ড এজ হোমদা লৈরিবা ইনমেট ১০দা গুৱাহাতিদা লৈবা ওজা থম্বাল মেমোরিএল ত্রষ্টনা আর আই এফ পি সী ও মণিপুরগী খূথাংদা চানথক্লবা পোৎলম অমদি ফিরোল খরা মতেং পীরকখ্রে হায়রি। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি হোমসিগী থৌপুবা অমদি হোমদা লৈরিবা ইনমেট ১০দা হকথেংননা য়েন্থোকখি হায়রি।

ৱারেপশিং লৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ০২ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল-য়াইরিপোক লম্বীগী শরুক অমা ওইরিবা কোংবদগী কৈরাও সলাম ফাওবগী লম্বী মতম কুইনা শেম্বীদনা লাকপদগী ক্লবশিংগী অপূনবা বোদি অমা ওইরিবা ওল কোংবা রোদ য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন্না কন্না হোৎনবদগী শেম-শাবা হৌবগী ফীভমদি লাক্লে। অদুবু থবক অসি নোংজু পন্থাগী মমাঙদা লোইশিনবীনবা দিপার্টমেন্টতা হায়জখিবা লৈখ্রে। মসিগা মরী লৈননা বামোন কম্পুদগী কৈরাও সলাম ফাওবদা লৈরিবা ক্লবশিংগী ওইবা মীফম অমা এপ্রিল ৩০দা পাঙথোক্তুনা ৱারেপ মরি লৌখ্রে।

ৱারেপশিংদুগী মনুংদা লম্বীসিগী দ্রেন ক্বালিটি মেন্টেন তৌবগা লোয়ননা অথুবদা চনবা হৌনবা তকশিনবা, মতমগা চুনবা মওংদা লম্বী শেম্বীনবা, থবক তপ্পনা মরম ওইরগা অতোপ্পা টিম অমনা শুহন্নবা তকশিনবা অমদি ৱারেপশিং অসি অথুবদা থবক্তা ওন্থোকপীরক্ত্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

‘মৈতে লাইনিং ১দি ইমোইনুদা করেম্নবা লাইবক থীবনি’

ইম্ফাল, মে ০২ (ঐচ এন এস) : উমংলাই কনবা লূপ (উকল)গী সেক্রেটরি পব্লিসিটি টি ঐচ রতনকুমার মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ঐখোয়গী লোল মাংশিল্লকপা, থকশি-খাশি কায়থরকপা, ফিজেৎ-লৈতেং, জগোয়-ঈশৈনচিংবদা মরিং-মরাংহল্লকপা অমদি পুৱারীনচিংবা হীরম কয়াদা খোঙচেপ হাইরকপা কয়া মায়োক্নরি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা ইরৈবাকসিদা শৈদাংলবশিংনা ইমা ইমোইনু লাইরেম্বীবু করেম-কথাইনরকপসি লাইবক থীবনি। মসিনা মীওই কয়াগী থম্মোয় শোকহল্লে হায়রি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, খোঙজেল য়াংলবা মালেমগী অহোংবশিংসিগী মরক্তা ঐখোয় অসি ইশাগী শক্তম ঙাক্তুনা হিংবা ঙমখিগদ্রা, ঙম্লরোইদ্রা হায়বগী নুংনাংবা মরকসিদা ফূরুপসিগী মীওই খরনা ঐখোয়গী ইনাৎ, চৎনবী, লাইনিং-লাইশোননচিংবা হীরম কয়া মাঙহন্নবা, মরিং-মরাংহন্নবা, তুক্কৎচহন্নবা কন্না হোৎনবা থেংনৈ। ইরৈপাক ইরমদম কন্নবগী চয়েৎনরিবা তাঙ্গাসিদা ফূরুপসিবু করেম্নফম ওইহন্নবগী পান্দমদা মীওই অমনা ইমা ইমোইনু লাইরেম্বী শাদুনা ঐখোয়না চেৎনা লাৎচরিবা ইমাসিবু করেম্নরকপসিমক লাইবক থীবনি। মসি ফূরুপসিগী লাইবক্তা অমাংবা তৈশিনবা থৌওংনি হায়না লৌদবা ঙল্লোই হায়রি।

অসিগুম্বা থৌওংসি উকলনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি। থৌওংসিদা উকলনা তুমীন্না খক লৈথোক্লোই। ইরৈবাক কনবগী থোক্লিবা ফীভমসিদা অতোপ্পা নুংঙাইতবা অমত্তা থোকহন্নিংদে। মরম অদুনা করেম্নরিবা মীশকসিনা নুমিৎ হুম্নীগী মনুংদা উকলগা ৱাখল তামিন্ননবা হোৎনবীয়ু হায়নসু চেরোলসিনা মখা তারক্লি।

মীতৈ খুন্নাইবু থুগায়নবা, খোঙ্গুল মুখৎনবা হোৎনরক্লি : কে কে এল

ইম্ফাল, মে ০২ (ঐচ এন এস) : চহী লিশিং কয়াদগী নিংথৌরেল কয়ানা পান্দুনা মৈতৈ/মীতৈগী অচৌবা কিংদম অমা লৈরম্মী হায়বসি হিষ্টরিকেল ফেক্টনি। ১৬শুবা চহীচা অদুৱাইদগী খুন্নাইসিদা মীতোপ চঙশিল্লকপদগী মীতৈগী দেমোগ্রাফি অমদি খুন্নাইলোন্দা অহোংবা কয়া লাকপা হৌরকখি। চাওখৎপগী নামাদা লাকখিবা অহোংবা কয়ানা ঙসিদি মীতৈ খুন্নাইবু মচেৎ তানা থুগায়নবা অমদি খোঙ্গুল মুথৎনবা হোৎনরক্লি হায়না কংলৈপাক কনবা লূপ (কে কে এল)গী জেনরেল সেক্রেটরি লুৱাংচা য়ু ঙমখৈঙাকপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, মসিগুম্বা থৌদোকশিং পুৱারীদা থোকখিবা কয়ানা ঙসিদি মীতৈশিংগী মীশিং হায়নিংঙাই লৈতনা হন্থখ্রে। ১৯৪৯গী মতুং মীতৈশিংনা ইন্দিয়াদা তীনখিবদগী মীতৈগী জিওগ্রাফিকেল বাউন্দরিদসু অচৌবা অহোংবা কয়া লাকখ্রে। লোয়ননা মীশিংসু অঙকপা ফংনা হন্থখ্রে। ঙসি-ঙসিমক মীতৈগী লমদা শৈদাংদুনা হিংবা করাম চাউবা মীতোপ-মীয়ানচা কয়াগী অফোংবা লান মীতৈশিংনা মায়োক্নরি। নাকল অমরোমদা, পূক্নিং ৱারকপা ঙমজদ্রবা ইফূরুপসিগী ইচে-ইচল কয়াগী লমহেনবা ৱাখল কয়াদা অচেঙবা তাঞ্জা লৌদুনা মীহৌ চাউবা মীতোপ কয়াগী মোইথেমগী লাংদা কংলৈ নিঙোল কয়া থুদুনা ঈগী ঈচেল থৈদোক্নবা হোৎনরি। অসুম্না মালেমসিদগী মুৎকদবগী থরাক-থরাক য়ান্দুনা লৈরবা মীতৈ ঐখোয়না করিসু নাচুংদনা ইফূরুপকী ইচে-ইচল কয়ানা মা-মাগী অপাম্বদা মনিং তম্নরি। মালেমসিগী অপীকপা ফূরুপ কয়ানা মাগী মাগী ফূরুপ কঞ্জনবা ফিরেপ কয়া লৌদুনা মশা-মশাগী অশেংবা ঈ, চাদা-নাওদা মাংদনবা লো কয়া শেমদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনখ্রে।

অদুবু ঐখোয়-ঐখোয়গীদি ঙসিসু করিসু নাচুংদনা ইন্দিয়াগী অচৌবা ফূরুপ কয়াগী চৎন-লোনচৎ ইন্দুনা হেন্না হেন্না মাঙখিনবা হোৎনদুনা লৈরি। ঙসিদি মীতৈনা শক-চু মান্নদবা, হৌরকফম খেন্নবা মীতোপ্তা ময়ূম-মকৈ পানববু হেন্না থাক ৱাংবনি হায়না লৌনরক্লি। মসি তৈবীগনু হায়না লূপ অসিনা হায়জদুনা লাক্লি। তাঞ্জাসিদা কে কে এলনা ইরৈচাশিংদা মরু ওইনা কংলৈ মীতৈ নিঙোল খূদিংমক্তা ঐখোয় ৱাখল খরা খন্থসি। ঈগী পলবু চেৎনা ঙাকসি। মীতৈ ইফূরুপ কন্নবা হোৎনবদা কংলৈ নিঙোলশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু হায়না চেরোলসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমিৎ লূপ কয়ানা পাক শন্না পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, মে ০২ (ঐচ এন এস) : ঙরাং মে ১ অসি মালেমগী ওইনা মে দে হায়না খঙনদুনা পাঙথোক্লখিবগুম মণিপুরদসু তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়ানা শিন্মীশিংগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোক্লখি।

ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস (এ আই টি য়ু সী), মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী সেক্রেটরি কে ঐচ বোজেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা য়ুনিয়ন অসিনা শীন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী থাউ গ্রাউন্দদা শিন্মীশিংগী নুমিৎ পাঙথোকপগা লোয়ননা সোসল জষ্টিস এন্দ দেসেন্ট ৱার্ক ফোর ওল সক্সেসফুল ষ্ট্রগলস ওফ ৱার্কর্স হায়বা হীরমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা এ আই টি য়ু সী মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. এম নরনা থৌরম মপু অদুগা তোঙান-তোঙানবা য়ুনিয়ন, এসোসিএসন, ফেদরেসনগী লুচিংবশিংনা দেজগী লৈতেং ওইদুনা লৈখিদ্রবা শিন্মীশিংগী মফমদা লৈ-শু কৎখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা কিনোট এদ্রেস পীরদুনা এ আই টি য়ু সী মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা লমদমসিগী শুরি-নোল্লিবা শিন্মী মীয়ামগীদমক মে দে হৌদোকখিবগী পুৱারীগী ৱারী-ৱাখোংশিং থমখি। লোয়ননা নোংমগী থবক শুবগী মতম পুং ৮দগী হেনবা য়ারোই, শিন্মী মীয়াম পুনশিন্নদুনা শিন্মীশিংগী ফংফম থোকপা চাকথুং ফংনবগী লালহৌ মায় পাকহনসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্কর্স ৱেলফেয়র য়ুনিয়ন, শীংজমৈনা শীন্দুনা শীংজমৈ মখা চনম পুখ্রি মপালদা লৈবা য়ুনিয়নসিগী ওফিসতা ইন্টরনেসনল ৱার্কর্স দেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরমদুদা ওল মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱার্কর্স ৱেলফেয়র য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট তেকচম নন্দো, রিটাইয়র্দ এক্সটেন্সন ওফিসর (দিভেলপমেন্ট/সোসল এক্টিভিষ্ট) লাইময়ুম শান্তিকুমার, য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট মোংবিজম সুনিতা অমদি সোসল এক্টিভিষ্ট সাপম তোম্বীনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

ওল ককচিং কন্সত্রক্সন ৱার্কর্স য়ুনিয়ন (এ কে সী দব্লিয়ু য়ু) ককচিংনা শীন্দুনা মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমিৎ থৌরম লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী মীপুনশঙদা পাঙথোকখি। থৌরমদুদা লাইব্রেরী থিয়েটর ককচিংগী প্রসিদেন্ট য়াম্বেম সত্যনা অথোইবা মীথুং, এ কে সী দব্লিয়ু য়ুগী প্রসিদেন্ট ৱাই অচৌবা থৌরম মপু অমসুং দট্টোপান্ট থেঙ্গাদি নেসনল বোর্দ ফোর ৱার্কর্স এদ্যুকেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট রিজনল দিরেক্টোরেট টিনসুকিয়া (অসাম) মিনিষ্ট্রি ওফ লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী রিজনল দিরেক্তর ওইরম্বা এন সোমোরজিৎনা অখন্নবা মীথুং ওইখি।

ভেল্লি এন্দ হিল লেবর গ্রুপ মণিপুরগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ঐচ শান্তিকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ঙরাং রূপমহল থিয়েটরগী হোলদা গ্রুপ অসিনা শীন্দুনা মে দে সেলেব্রেসন পাঙথোকখি। থৌরমদুদা লূপসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা ফোঙদোকখিবদা, শিন্মীশিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎপা লৈঙাক লৈবা লৈবাক্তু মালেমগী মীয়াম্না শীংথানৈ হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

চনুরা লমচিংলেল কংলৈপাক (সী এল কে)কী প্রসিদেন্ট সী ঐচ পাকপীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা লূপ অসিনসু মে দে নুমিৎনা লাকপদা লমদমসিদা লৈরিবা শিন্মী খূদিংমক্কী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎচরি। খুন্নাই অমগী ইকোনোমি হেনগৎহন্দুনা খুন্নাই অদুবু চাওখৎহনবদা শিন্মীশিংনা লৌরিবা থৌদাংসিগীদমক শিন্মীশিংবু মতম পুম্বদা অৱাংবা থাক্তা ঈকায় খুম্নফম থোকই হায়না ফোঙদোরক্লি।

ৱার্কর্স য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট দব্লিয়ু অনন্দ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ইন্টরনেসনল দে ওফ লেবরগী থৌরম য়ুনিয়ন অসিগী উরিপোক খ্বাইব্রক্মপুরদা লৈবা ওফিসতা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা পাঙথোকখি হায়রি।

থৌরমসিগী থীমদি সোসল জষ্টিস এন্দ দেসেন্ট ৱার্ক হায়বসিনি। হীরমসিগী মতাংদা য়ুনিয়নসিগী প্রসিদেন্টনা মরু ওইবা ৱাফম থম্বনা থৌরমগী মপুং ওইখি। লৈবাক অমা চাওখৎপা হায়বসি লৈবাক্তুদা লৈরিবা শিন্মীশিংনা মশানা শুজরিবা থবক্তু মীয়াম অমদি খুন্নাইনা খঙবীবা চঙই অমদি শিন্মীশিংনা মখোয় মশানা তৌজরিবা থবক অদু য়াম্না দেসেন্ট ওইনা খনবগা লোয়ননা সিন পাঙবা হায়বসি তঙাইফদে হায়না ফোঙদোকখি।

জেনিমস হোস্পিটালগী অকোয়বদা লম-তূ শেংখ্রে

ইম্ফাল, মে ০২ (ঐচ এন এস) : ঙরাং ষ্টেটসিগী মরু ওইবা লায়েংশঙ অমা ওইরিবা জেনিমস হোস্পিটাল অমদি মসিগী অকোয়ববু লূ-নান্না থম্নবগী পান্দমদা জেনিমসকী দিরেক্তর ডা. এল দেবেনগা খূৎশম্নদুনা জে এন হোস্পিটাল পার্কিং ওটোরিক্সো দ্রাইভর্স এসোসিএসন পোরোম্পাৎনা নোংমগী ওইবা লম-তূ শেংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এস রঞ্জননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হোস্পিটাল অসিগা হৌদোকমিন্নদুনা লাক্লবা ওটো এসোসিএসনসিনা হোস্পিটালসিবু লূ-নান্না থম্নবা লিশাংশিংনা সোসল সর্ভিস তৌদুনা লাক্লি অমদি হোস্পিটালসিবু ঙাক শেনবা অমসুং তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা তেংবাঙদুনা লাক্লি। হৌজিকসু খুদোংচাদবা কয়াদা ঈ মথৌ তারকপদা ঈ পীনবা শেম-শাদুনা লৈ হায়রি।

অনৌবা শেন্মীৎলোনগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরক্লি

ইম্ফাল, মে ০২ (ঐচ এন এস) : অনৌবা শেন্মীৎলোন কৌবা লূপ অসি লিংখৎখিবগী চহী ৮ শুবা মপোক কুমওন মে ১গা মরী লৈননা লূপ অসিনা পাঙথোকখ্রবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা মীয়ামদা লূপ অসিগী সেক্রেটরি ফাইনান্স এন য়াইমা মৈতৈনা ফোঙদোরক্লি।

লূপ অসিগী পান্দমদি মীয়ামগী নোংমগী শেন্থোক লম্বী হেনগৎহনবা হায়বসিনি। পান্দমসি হৌজিক মায় পাক্লা চঙশিল্লক্লি। হৌখিবা চহী ২০২৩-২৪ অসিদি লৈবাক্কী ওইরিবা ফীভমসিনা মরম ওইরগা মপুং ফানা চঙশিনবা ঙমখিদ্রে। অদুবু চৎলিবা চহী ২০২৪-২৫ অসিগী ওইনা ঙামী লিশিং ২দা ঙাগী মতেং পীবা, লৌমী লিশিং ২দা য়েন, ওক অমদি হামেং লোইহন্নবগী পান্দম থল্লি। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট খূদিংগী ফিশাবীশিংগী ক্লষ্টর হাংদুনা ফিশাবী লিশিং ২দগী তাদনা ফি শাহনবদা মতেং পাংনবা শেম-শারি হায়রি।

লৌউ-শিংউ, ফিশা-লোনশা অমদি শু-নোম্বদা অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোক্তুনা হেন্না শেংদাং লৈননবগীদমক মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নসি। ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট, থৌবাল, ককচিং, বিষ্ণুপুর অমদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৌউ-শিংউবগা মরী লৈনবা ঈথৈ-লৌখোংশিং, ট্যুব ৱেল অমদি ইরিগেসন টেক্নিকনচিংবা মফম চাবা য়েংদুনা থৌরাং তৌরি। তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট মঙাদা লৌ পরি ৪০০ রোম হঙ্গাম থাহনখ্রে। লোয়ননা য়ুরিয়া, পোটাস অমদি সুপরনচিংবা কেমিকেল ফর্টিলাইজরশিং মরী লৈনবা লৌমীশিংদা লেম্না পীখ্রে।

অমরোমদা, ইন্টরনেসনল লেবর্স দে, শিন্মীশিংগী নুমিৎ অসি চিকাগোদা ১৮৮৬তা থোকখিবা থৌদোকশিং অদু নীংশিংদুনা ১৮৮৯দগী মে দে হায়না ইন্টরনেসনল ফেদরেসন ওফ সোসিএলিষ্ট গ্রুপ অমসুং ত্রেদ য়ুনিয়ন দেজিগনেটেদশিংনা নীংশিং থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়রি।

ৱেসিয়াগী শিন্মী পূম্নমক্কী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎচরি…

হান্নগী মখা… লমদমসিদা হন্দক লোইলম শন্দোরকপা ইন্দিয়াগী দেল্লিরোমদগী শন্দোরকপা লাইখূৎশাংবীগী ইলেক্সন অদু ফূরুপ খূদিংমক্কী লৌমী-শিন্মী পূম্নমক্না উবীরন্নগনি। ময়াং লৈবাক্কী মীখল খূদিংমক মীয়াম্বু পুলহন্নবা অফবা লৈঙাক থম্নবা নত্তে। মীয়াম লৈঙাক্কী মিংদা (দেমোক্রেসিগী মিংদা) মীয়ামগী অপূনবা থুগায়বনি। লৌমী-শিন্মীশিংগী, ইমাশিংগী, ইচা-ইশুশিংগী লমচৎ অমদি ফিদম থুগায়বা মীখলনি। কৈথেলগী শিন্মীশিংগী অপূনবা থুগায়বা, লৈকায় মৈরা পায়বীশিংগী অপূনবা থুগায়বা, দ্রগ, য়ু, ওক্তবা চীঞ্জাকশিংগী কৈথেল ওন্থোকপা মীখলনি। য়াম্না শমজিন্না হায়রবদা মীয়ামগী অপূনবা অসি থুগায়রগা মখোয় শেঞ্জাও পায়বা অমদি মচুম চাবশিংগী মহুম (কোকোন) চেৎশিলহনবনি। হন্দক্কী মীখল অদুনা ঙাইহাক্কী ওইবা ইহুলদা লৈবাক নীংবা মীওইশিংবু অঙাওবা, লমচৎ শাজৎ য়াওদবা, কৈরোই লৈকায়গী মমা-মবেলশিংবু মশক খঙদবা মীশক ওন্থোরকপা ঐখোয় মীয়াম্না উখ্রে। মসি ময়াংগী লৈঙাক অসি মরা চেৎশিলহন্নবা, মীয়াম্বু অঙাওবা ওইহন্নবা, ফূরুপশিং অসি অমগা অমগা খায়দোক্তুনা থম্নবা, ইনখৎলক্লিবা নহাশিংবু লোনচৎ য়াওদবা মীশক ওইহন্দুনা থম্নবা থৌরাং থৌশিল অমনি। মসিগুম্বা লোই লৈঙাক মরা চেৎশিন্নবা পাঙথোক্লকপা মীখলশিং ঐখোয় লৌমী-শিন্মীশিংনা কৈদৌঙৈদসু চঙশিলগুমসি। লৈবাক অসিগী ফূরুপ খূদিংমক্কী লৌমী-শিন্মীশিং অমত্তা ওইনা পুনমিন্নদুনা ঐখোয় নীংতম্বা হঞ্জিন্নবগীদমক অপূনবা লান্থেং চঙশিনমিন্নবনা ফূরুপ খূদিংমক্কী অচুম্বা খোঙথাংনি হায়না সোরেপানা লাক্লিবা মে দে, মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা থমজরি।

মান্নবা খুন্নাইদা য়ূম্ফম ওইদুনা লৈঙাক্লিবা লৈবাকশিংনা শিন্মীশিংগী নুমিৎ মে দে থৌরম পাঙথোকপা মতমদা শিন্মীশিংগী ঈহৌ অদুগী ৱাহন্থোক খঙনা পাঙথোক্লি। অমরোমদনা কেপিটেলিজম শৌগৎপা লৈবাকশিংনা মে দেগী থৌরম অসি পাঙথোক্লিংদা পাঙথোক্লিংদা পাঙথোক্লি। হৌজিকসু মান্নবা খুন্নাইদা য়ূম্ফম ওইদবা লৈবাকশিংদা শিন্মীশিংবু তুহৎ-নৈহৎপীবা, ওৎপী-নৈবীবা লৈবাক কয়া অমা লৈরি। লোই লৈঙাক ইন্দিয়াদসু মে দেগী থৌরম চহী খূদিংগীদি পাঙথোক্লি। অদুবু লায়রবা শিন্মীশিংগী হক পীবীদবা, তুহৎ-নৈহৎপীবা, খূৎশুমল মৎপীবগী ৱাথোক কয়া ঙসিসু লৈরি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না অরানবা য়ূম্ফমদা শাগৎলকখিবা শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিং অমদি মখোয়গী মচুম চাবা মীওইশিংগা পুল্লগা মীয়ামগী লনথুম মীয়ামগী মীৎমাংদা ফোংনা শগুল তৌদুনা চাথোকপা কংলৈ মীয়াম্না খঙবীরমগনি। লৈরক খুল্লক অমদি লমজাওদা মীয়াম্না উবীরমগনি। মখোয়না নোংমগী খূৎশুমলনা হিংজরিবা লৌমী-শিন্মী উশিৎতে, মীয়াম্বু উশিৎ-থওইদনা মখোয়গী খুদোম্বীদা লৈদুনা নমহত্তুনা পুগনি খল্লি। শেঞ্জাও পায়বা মীয়ামগী লন হুৱাল্লিবশিংগী খুরক্তগী লিৎথরকপা মচুম চারগা লৈরিবা হুরানবা শৌগৎপা (কোম্প্রেদোর) কাঙবু শেমগৎতুনা মখোয় পুল্লপ পুল্লগা লোই লৈঙাক শৌগত্তুনা মরা চেৎশিলহল্লি।

কংলৈপাক/মণিপুরগী লৌমী, শিন্মীশিংনা হেন্না অৱাবা মায়োক্নরি। ঐখোয়গী শিন্মীশিং ঙন্না ঙন্না হৌগত্তুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী শামু মখোঙদা পুল্লপ-পুল্লপ লেপ্তুনা ইনাক কৈরাক খুনবা মীওইশিংনা থবক নেকপীরকপা নুমিৎ খূদিংগী ঙাইরি। নোংমগী অফং-অফংবা থবক শুদুনা হিংবা মীগী মশীংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। মতম অমদা মী লৈজদবা ইমুংদা ময়াং নুপী কয়া কোল-লিক ফেংবা, ফিশু-ফিজাম তৌনবা নেক্লম্মী। হৌজিক্তি মৈতৈগী নৌরিবী মৌনহা কয়া শেঞ্জাও পায়বা লল্লোন-ইতিক তৌবা ময়াংশিংগী ইমুংগী কোল-লিক ফেংবা, ফিশু-ফিজাম তৌদুনা নোংমগী লুপা ২০০/৩০০ ফংলকপা অদুনা হিংবা ইমুংগী মশীংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। অমরোমদা, লমদম অসিগী শেঞ্জাও পায়বা থিকাদারশিংনা মখোয়গী থবক শুজরিবা শিন্মীশিংগী খূৎশুমল মৎপীরি, ওৎপী-নৈবীরি। মখোয়না হায়বা য়াদবা য়েৎলুবা, নোক্নরুবা শিন্মীশিং অদুবুনা থবক শুবা য়াওহন্দে তান্থোকপীরি। খূৎশুমল হোংবা মপান্দগী চঙলকপা শিন্মীশিংদা থবক শুহল্লি। মসিনা শুফম-নোম্ফম লৈতবা লায়রবা ইমুংগী মশীংসু হেনগৎলক্লি। ইরৈবাক অসিগী লৈঙাক্না অমদি শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিংনা থওইবীদ্রবা তুহৎপীরবা লৌমী-শিন্মীশিংগী ফীভম হেন্না হেন্না শোকচিল্লক্লি হায়বসি মীয়াম্নসু খঙলি, লৈঙাক্নসু উরি। অদুবু মখোয়গী য়াইফনবা থৌরাংদি ঙসিসু পায়খৎপীদ্রি।

চহী খূদিংগী শিন্মীশিংগী নুমিৎ মে দে পাঙথোকপগী মরম ৱাহন্থোক খঙবগা লোয়ননা থবক্তা ওন্থোকপা চঙই। লৌমী-শিন্মীশিংনা পুথোকপা পোথোক অদুনা মীপাল তাঙদনা মনিং তম্বা লৈবাক অমা ওইগনি হায়বসি ঐখোয় পুন্না খঙমিন্নসি। লৈবাক অমা অফবা অহোংবা পুরকপদা লৌমী-শিন্মীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। ঐখোয়গী কৈথেল-কৈথেলদা য়োল্লিবা পোৎলম অয়াম্বা অমদি পোথোকশিং অসি লৌমী-শিন্মীশিংনা পুথোকপনি হায়বসি মীয়াম্না খঙফম থোকএ। ঐখোয়গী লায়রবা লৌমী-শিন্মীশিংগী অপূনবা পাঙ্গল শাগৎমিন্নসি, লান্থেংমিন্নসি, চাওখৎপা মীপাল তাঙদবা নীংতম্বা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা পুন্না লান থেংনমিন্নসি। ঐখোয় পুন্দবা য়ারোই, অপূনবনা পাঙ্গলনি হায়বসি কাউরোইসি। অরোইবদা লৌমী-শিন্মীশিংবু সোরেপানা ঈকায় খুম্নবা উৎচরি। লোয়ননা ঐখোয় মীয়াম পুন্না নীংতম্বা ইরৈবাক্কীদমক লেপমিন্নরসি হায়রি।

[illegible]

[illegible]

চহীগী দশা য়েংজরি / [illegible]

মপোক্কী কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, পক্নবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্নবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুন্বাল, ইচা-ইশু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্নবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফগৎনবা তান্নবীয়ু। ওনলাইনদসু য়েংবীবা য়াগনি। ৱাটচএপ নম্বর ৯০৭৭১৮৮৪৫৬।

Contact : **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur
HL-B/8686/17 April to 16 May

[illegible] / BANK PASSBOOK LOST

I have lost my SBI Bank Passbook bearing Account Nos. 20263435217 issued by SBI, Singjamei, Chingamathak Brance, Imphal on the way between Irilbung and Singjamei on 27/04/2024. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Yambem Sarita Devi**
D/o. Y. Ningthemba Singh, Bamom Kampu, Irilbung
Contact Nos. 8131916875
HL-P/10625/3

[illegible] / DRIVING LICENCE LOST

I have lost my Driving Licence bearing Licence No. 0219930014582 issued by DTO Churachandpur on the way from Tronglaobi to Mantripukhri on 27/04/2024. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Yumnam Brajadhon Singh**
Tronglaobi, P.O./P.S. Moirang, Dist. -Bishnupur
HL-P/10619/3

[illegible]/খোঙ হাম্বা খূদিংগী সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না ঈ কাপথোরকপা, ঈ তাবা অদু নোংমা-নীনি লেপ্পগা অমুক হান্নগুম্না ঈ তারকপা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, অমাংথোঙ মপানদা মফম অনী/অহুম থোক্লা পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না থুপ্পা-শাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা খোঙ হাম্বা খূদিংগী সিরিঞ্জনা কাপ্পগুম্না তৌরগা ঈ তারকপা, ঈ তাবা অদু নোংমা/নীনিগুম্বা লেপ্পল্লগা অমুক হান্নগুম্না ঈ তারকপা অসুম্না অদুম তৌরগা লৈবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, শা-ঙা চারগনা ঈ অদুম তারগা লৈবা, অমাংথোঙ মপান্দা মফম অহুম থোক্লা পোমথোরকপা, অপোম্বা অদু পায়রগা য়েংবা মতমদা কাকফৈ অমুনবগুম্না থোন-থোন লাউবা, অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা চাথৎপা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না থুপ্পা অমদি শাবা, অমাংথোঙ মপান্দা চাথৎপা অদুনা খোঙ হাম্বা মতমদা হামেং মথিগুম্না অকনবা মরু-মরু ওইনা হাম্বা, খোঙ হাম্বা মতমদা শংলগা হাম্বা, নোর্মেলদা হাম্বা য়াদবা, খুদেং অমদা ঈশিং লুম্বু-লুম্বু তৌবা খরা হৈদোক্লগা অদুদা ফল্লগা খোঙ হাম্বা, অসুম্না তৌদ্রিফাওবা খোঙ হাম্বা য়াদবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা য়াম্না নুংঙাইতবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা অদুনা পূকচেপ নাবা, খ্বাং নাবা, ঙকশম মরি নাবা, ফম্বী শোনবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, ফম্বী থুনা চৎপা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/8694/03 *থাগৎচরিবী :* **O. Bimola Devi,** Moirangkhong

[illegible]/খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হামদোক্নবা হোৎনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, খোঙ হাল্লগসু খজিক্তং হাল্লগা তোকপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক য়াম্না নুংঙাইতবা, পূক পংখোংদা খোংলগা লৈবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা অদুনা পূক কংখৎপা, খ্বাং নাবা অদু ফহনবগীদমক ওজা Azad পু থাগৎচরি।

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হামদোক্নবা হোৎনবদা হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, খোঙ হাল্লগসু খজিক্তং হাল্লগা তোকপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক য়াম্না নুংঙাইতবা, পূক পংখোংদা খোংলগা লৈবা, গ্যাষ্ট্রিক কাবা অদুনা পূক কংখৎপা, খ্বাং নাবা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, খোৎলুরগনা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু তৎপা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাবা অদু খকউ য়াদবা, অমাংথোঙ ময়াদা চনা মরুমুক চাউবা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, কুইনা ফম্বা ঙমদবা, অমাংথোঙদা য়াম্না শাগৎপা, হকচাংদা অৱাবা অমা ওইবা, অমাংথোঙদা চক-চক থিল্লকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাউথোরকপা অমদি চিকপা নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, ফম্বী শোনবা, হক্তিন্ননিংবা ইফাও ফাওদবা, খ্বাং-য়াংলেন নাবা, খোঙ-খূৎ বং-বং লাউরগা শজিং তোয়না হৌবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা **MV Azad Phusam Phone No. 7628890261/9089738275** দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লায়েংফম :1. Hatta Opp. Oil Pump Near Public Hospital, Imphal.
2. Mayang Imphal, Konchak Bazar. (6 am to 10 am.)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Only Sat. & Wed. Open)
4. Yairipok Bazar Near Traffic Point (Only Sunday Open)

HL-P/10602/03 *থাগৎচরিবা :* **M. Jems Meitei,** Uripok

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College, Imphal
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE for
→ Course Fee: 4000 per subject
→ Installment basis accepted
CLASS -XII Sc. (COHSEM) 2nd Batch
Class commencing on 25th April, 2024 (4:20 pm to 7:40pm)
18TH POSITION Yumnam Hemlan MECI Explorer Academy
20TH POSITION Bhumika Rajkumari COMET School
86% Ranjan Chungkham MECI Explorer Academy
86% Bonita Laishram COMET School
Form available at :
1. ‘SANGAI HOSTEL’ Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College, (3:00pm - 7:30pm)
7629028328
9863160060
HL-B/8646/18